ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জন্যুৱারী ২৫, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৯৪শুবা মশীং

# ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং

## মখা থাবশিংবু থাজবিদব্রা

মরক মরক্তা থোরকহন্নীংদবা থৌদোক (ক্রাইম) খরা থোক্লবসু মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম শীংথানীংঙাই ওইবা মওংদা ফগৎলক্লে হায়বসিমদি চুপ্লে। মসিগী চপ চাবা খুদম হায়ববু কুমজা ২০১৭কী মার্চ ১৫দা অহানবা ওইনা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক্না এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৭তগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্ট (অফস্পা), ১৯৫৮ লৌথোক্লম্লবা মতুং বি জে পি লৈঙাক্নসু অহেনবা মফম খরদগী লৌথোকখ্রে। লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলকপগা ইরোয়ননা পুলিসকা মীয়ামগগী মরক্তা লৈনগদবা মরী 'পুলিস-পব্লিক রিলেসন্স' সু হেন্না চেৎশিল্লক্লে হায়বা য়ারে হায়নীংই। মসি পূম্নমক পুলিস দিপার্টমেন্টকী পোষ্টেট ষ্ট্রেঙথকী মশীং য়ামখৎলকপা অমসুং পুলিস পর্সনেলশিংগী হোৎনজমন্দগীনি। মরক্তা মীশি-মীনাগী থৌদোক খরদা পুলিস পর্সনেলশিং চেন্নরবসু, দ্রগকা কোন্ননা ফাবা য়াওরগসু মপূং ওইনা মীয়ামগগী মরক্তা মরী ফগৎলে হায়না লৌবা য়ারি। লৈরিবা ফীভমসিদগী শোকচিনহন্দনা হেন্না ফগৎহল্লক্লবরোমদা হোৎনবসু চুমগনি। অদুবু ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী ওইবা থাক্তা পাঙথোক্কদবা মরু ওইবা থৌরমশিংগী মাঙওইননা অমসুং মণিপুরদা মশক নাইবা মীওইশিং লাকপগী খোঙচৎ মাঙওইননা সিভিল পুলিস অমসুং কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা অচৎ-অওকশিংবু খামদুনা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং তৌবদা মোবাইল ফোন পুথোক্লগা পুলিস পর্সনেলশিংনা ভিদিও অমদি ফোটো নম্লিবা করিগীনো? থবকসি পাঙথোকপনা মথৌনি হায়দুনা পাঙথোক্লিবা পর্সনেলশিংদুদা করি কান্নবা পীবগে? মখোয়না চ্যেক তৌরিবা মীওইশিংদুদনা করি কান্নহনবগে? থৌওংসি পুলিস দিপার্টমেন্টনা য়াম্না তোয়না হায়বা 'কোর্দোন এন্দ সর্স ওপরেসন ' (কেসো) দসু চথবা থেংনৈ। অকক্লবা থৌরম অমগী মাঙওইনবা নৎত্রগা মরী লৈনবা নৎত্রবসু নোর্মেল ওইবা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং অমদি কেসোশিংদসু অদুম্মক তৌই। মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি দ্যুটিদা ফোটো নৎত্রগা ভিদিও নম্বগী থবকসি পুলিস দিপার্টমেন্টকী তৌদবা য়াদবা মেন্দেটরি ওইবা প্রোভিজন অমরা হায়বসিনি। মরমদি হৌজিকসি সোসল মীদিয়াগী মপাঙ্গল য়াম্না কনখৎলক্লিবা মতমনি। দ্যুটিদা নম্বা ভিদিও অমসুং ফোটোবু পুলিস পর্সনেলশিংনা লান্না শীজিন্নরমগনি হায়বা নত্তে। অদুবু করিগুম্বদা অরানবা পান্থে ওইনা শীজিন্নরক্লগনা করি থোরকপা য়াবগে? নৎত্রগনা ভিদিও নৎত্রগা ফোটো নম্বগী থৌওংসিনা মীয়ামগী পর্সনেল লাইফতা অমসুং মহাক্কী ইকায়খুম্নবদা শোকহন্দব্রা হায়বসিনি।

য়াম্না নুংঙাইরিবনা পুলিস পর্সনেলশিংনা অসুম্মাইনা মখোয়গী দ্যুটিনি হায়বা থবকশিংদা হকথেংনরিবা মীয়াম, নুপা নৎত্রগা নুপীদুদা থৌওইনা হায়জরগা নম্বসু য়াওরক্লে। ভিদিও অমসুং ফোটো নমগনু হায়রুবদসু 'মায় লৈথোকপীয়ু' হায়রগা মথক্লোমদগী ফোটো নমদবা য়াদে, থারক্তবা য়াদে হায়রকপদগীনি ৱারৌবীনু হায়দুনা খুরুমদেদো খাক্লগা নম্বসু য়াওরক্লে। অদুবু মসিমক্কী মরমসিনা মখা থাবা পর্সনেলশিংবু মথক থোংবা ওপিসলশিংনা থাজ দবমক ওইরম্লগদি পর্সনেলশিং খক্তা নত্তনা মীয়ামগী খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। লো এন্দ ওর্দর মেন্টেন তৌরক্লিবা অমসুং মীয়ামগগী মরক্তা অচেৎপা মরী লৈনহল্লক্লিবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা মথক থোংবশিংনা মখা থাবশিংবু থাজদ্রবা অমসুং 'রিলাইএবল' ওইনা লৌনরমদ্রগদি ওইহল্লক্লিবা ফিভমশিংসি কয়াম কুইনা শাংথনা ফীভম কায়হন্দনা থম্বা ঙমগদৌরিবগে? মস্বাইদা ৱাহংসি থোরক্লবনিনা হোম দিপার্টমেন্ট অমসুং লোয়শঙসিবু খূৎপায়নরিবা চীফ মিনিষ্টরনসু কৈদৌসিগে হায়বদু খন্থফম থোকই। ফোটো অমসুং ভিদিও অদুম্মক নমহনবদা কায়দব্রা, হকথেংনরিবা মীওইদু কনানো, লম্বীদা ওইরগনা কদাইদগী লাকপনো, কদাইদা চৎকদবনো? হায়বনচিংবা অমত্তা হংদনা খান্নগা ফোটো নম্লগা 'য়ারে চৎপীরো' হায়বসিগী কান্নবা করিনো? থৌওংসিগী মতাংদা মতম খরগী মমাঙদা সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন ওইরিঙৈদা 'শুও-মোটু' দা কেস অমা লৌখৎলগা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) য়াওনা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসরশিংদা ইন্সত্রক্সন পীখিবসু লৈখ্রবনি। অদুবু কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন অদু তৌখিবগা নুমিৎ খরনিদি তৌরমদে। অদুবু হৌজিক খরা লাপথোরক্লবা মতমসিদদি মহৌশা-মহৌশাগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিল্লক্লে। মরম অসিনা মখা থাবা পুলিস পর্সনেলশিংনসু ইন্টিগ্রিটি লৈনা রিলাইএবল ওইনা দ্যুটি তৌহন্নীংই। মখোয়দা মথক থোংবা ওফিসরশিংনসু থাজবা থমহন্নীংই। পর্সনেলশিংগী মরক্তা থাজনদবা থমগনু। মীয়ামদসু মরম চাদনা অপনবা পীগনু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮

১) **''অথুইলুগী মঙলান''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **''মসিনা ঐগী সাক্ষীনি''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) **''জয় জয়ন্তী''** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) **''মিংশেলদা লৈচিল''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **''অঙাংগী লীলা মচা খরা''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# পিয়াজোইলেক্ট্রিক নানোপার্টিকলশিংনা সর্জরি তৌদনা থোপকী মনুং হঞ্জিন্না ষ্টিম্যুলেইট তৌহনবা : ন্যুরোদিজেনরেটিভশিং লায়েংনবগী অনৌবা কাঙলোন

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম




**বি বি বি হাংদোকহনবা অমসুং দীপ ব্রেইন ষ্টিম্যুলেইসন তৌবা, লাইয়েক অসিদা পিয়াজোইলেক্ট্রিক নানোপার্টিকলশিংনা অলত্রাসাউন্দদা পীরকপা পাউখুম ওইনা NO থাদোরকপা অদুগা BBB হাংদোকহল্লগা থোপ্তা তুংশিল্লকপা অদু উৎলি। মসিদগীদি অলত্রাসাউন্দ - ষ্টিম্যুলেটেদ নানোপার্টিকলশিংনা ন্যুরোনশিংবু ষ্টিম্যুলেইট তৌনবগীমক করেন্ট থোকহল্লকই অদুগা ন্যুরোত্রান্সমিটরশিংবু থাদোরকই।**

দীপ ব্রেইন ষ্টিম্যুলেইসন (দি বি এস) হায়বসি ন্যুরোলোজিকল কন্দিসন কয়ামুক লায়েংবদা কান্নরবা ক্লিনিকল ত্রিটমেন্ট অমনি। থৌওং অসিদা থোপ্তা ইমপ্লান্ট তৌরবা ইলেক্ত্রোদশিংনা অখন্নবা মফমশিংদা ইলেক্ত্রিকল ইম্পলসশিং থাজিল্লি। দি বি এস অসি হৌজিক পর্কিন্সন'স দিজিজ, ইসেন্সিএল ত্রেমর অমসুং দিষ্টোনিয়াগুম্বা লেঙ-ওৎপগী অশোয়বশিং লৈরিবা অনাবশিং লোয়ন-লোয়ননা ইপিলেপসি অমসুং ওবসেসিভ-কম্পলসিভ দিসওর্দরগুম্বা অনাবশিং লায়েংবদা শীজিন্নরি। মসিমক ওইদুনসু লায়েং পথাপ অসি থোপ্তা সর্জরি তৌরগা মথৌ তারিবা ষ্টিম্যুলেইসন ইলেক্ত্রোদশিং হাপচিনবা তাই অদুনা পামদবা সাইদ ইফেক্ট কয়ামুক থোকহল্লি।

অসিগুম্বা সাইদ ইফেক্টশিং লৈবা সর্জরি অসি পাঙথোক্তনবগীদমক কোরিয়াগী পোহাং য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (POSTECH) গী থিজিন লূপ অমনা পিয়াজেইলেক্ট্রিক নানোপার্টিকলশিংদা য়ূম্ফম ওইবা, সর্জরি তৌদনা ন্যুরোনশিংবু ষ্টিম্যুলেইসন তৌহনবগী থৌরাং অমা শেমগৎলম্মী। নানোপার্টিকলশিং অসিনা মথৌ অনীখক তৌরম্মী : ব্লদ ব্রেইন বেরিয়র (বি বি বি) বু মতম খরগী ওইনা হাংদোকহনবা অদুগা দোপমিন থাদোরকপবু ষ্টিম্যুলেইট তৌহনবনি। হায়রিবা থবক অনীসি মপান্দগী থাজিনখিবা অলত্রাসাউন্দনা কন্ত্রোল তৌই।

পিয়াজোইলেক্ট্রিক নানোপার্টিকলশিংসি ন্যুরোনশিংগী ষ্টিম্যুলেইটরশিং ওইনা পূক্লিং চিংশিন্নীঙাই ওই। মরমদি এক্সটর্নেল ষ্টিম্যুলেসশিং, খুদম ওইনা অলত্রাসাউন্দদা পীরকপা পাউখুম ওইনা মখোয়না দাইরেক্ট করেন্ট (দি সী) বু দিফোর্ম তৌই অমসুং থাদোকহল্লকই। থিজিন লূপ অসিনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না করেন্ট অসিনা দোপামিনর্জিক ন্যুরোনশিংবু ষ্টিম্যুলেইট তৌহন্দুনা ন্যুরোত্রান্সমিটরশিং থাদোকহল্লকপদা শীজিন্নবা য়াই।

অদুম ওইনমক, নানোপার্টিকলশিংবু থোপ্তা থাজিনখিবা হায়বসি শিংনবা অমা ওইদুনা লাকখি। মরমদি মখোয়না ব্লদ ব্রেইন বেরিয়র লানশিনখিবা হায়বসি অরুবা অমনি। ব্লদ ব্রেইনগী অথিংবসি লানশিন্দুনা চঙখিবা য়ানবগীদমক লূপ অসিনা বি বি বিগী মথৌদা অয়েৎপা পীবা ঙম্বা, য়াম্না রিএক্টিভ ওইরবা নাইত্রিক ওক্সাইদ (এন ও) মোলিক্যুলদা মায় ওনশিল্লক্লম্মী। নাইত্রিক ওক্সাইদ থাদোকহনবা ঙম্বা BNN6 অমসুং পোলিদোপমিন (pDA) তৈশিল্লবা বেরিয়ম টাইটানেট নানোপার্টিকল য়াওরবা, মথৌ ময়াম অমা তৌবা ঙম্বা সিষ্টম অমা শেমগৎলম্মী। অলত্রাসাউন্দ কাপশিনবা মতমদা, নানোপার্টিকলশিং অসিনা নাইত্রিক ওক্সাইদ অমসুং দাইরেক্ট করেন্ট অনীমক থাদোকপা ঙমহনবা তারম্মী।

লূপ অসিগী সিষ্টম অসিবু চাং য়েংনবগীদমক Won Jong Kim অমসুং মহাক্কী খোঙলোইশিংনা নানোপার্টিকলশিংদুনা নাইত্রিক ওক্সাইদ থাদোকপা ঙম্বগী শক্তিদু য়েংশিল্লম্মী। হায়-ইন্টেন্সিটি ফোকসদ অলত্রাসাউন্দ (ঐচ আই এফ য়ু) বু সেকেন্দ মঙা কাপশিনবদা, নানোপার্টিকলশিংনা খুদক্তা নাইত্রিক ওক্সাইদ থাদোরক্লম্মী। পাটচ-ক্লাম্প সেট-অপ অমা শীজিন্নরগা পিয়াজোইলেক্ট্রিক্কী মচৎতুবুসু লূপ অসিনা নৈনরম্মী। পোলিদোপমিন তৈশিল্লবা নানোপার্টিকলশিং য়াওদবা সোলভেন্টনদি করেন্ট স্পাইকশিং থোকহনবা ঙমদ্রবসু নানোপার্টিকলশিং য়াওরবা মতমদা কাপশিনখ্রিবা অলত্রাসাউন্দগী ইন্টেন্সিটিগা চুনবা ইন্টেন্সিটিগী করেন্ট স্পাইকশিং উবা ঙম্লন্মী।




**'ইন ভিভো' ওইনা নৈনখিবদা, উচিশিংগী ভেইনদা নানোপার্টিকলশিং কাপশিল্লবা মতুংদা HIFU না য়ৈহনখিবগী মওং তাকপা লাইয়েক।**

দীপ ব্রেইন ষ্টিম্যুলেসন (দি বি এস) অসিনা অনকপদা লৈরিবা ন্যুরোনশিংগী কেলসিয়ম আইয়ন $Ca^{2+}$ চেনেলশিংবু হাংদোক্তুনা নর্ভস সিষ্টম্বু ষ্টিম্যুলেইট তৌই অদুগা সাইনেপসতা ন্যুরোত্রান্সমিটর থাদোরকপবু থুগৎহল্লি হায়না লৌনৈ। নানোপার্টিকলশিংনা থোকহল্লকপা করেন্ট অদুনা মসিগা মান্নবা হকচাং মনুংদা) চাংয়েং কয়ামুক পাঙথোকখি। নাইত্রিক ওক্সাইদনা মরম ওইরগা বি বি বি হাংদোকহনবদু য়েংশিন্নবগীদমক, উচিশিংগী ভেইন (ঈ উতোং) দা নাইত্রিক ওক্সাইদ থাদোকহল্লকপা পিয়াজোইলেক্ট্রিক নানোপার্টিকলশিং কাপশিল্লম্মী, অদুগা অলত্রাসাউন্দবু থোপকী দরকার ওইরিবা মফমশিংদা ঐচ আই এফ য়ু পীশিল্লম্মী। অসুম্না কাপশিল্লবা মতুং পুং ২ লৈরগা, ত্রান্সমিসন ইলেক্ত্রোন মাইক্রোস্কোপিনা য়েংবদা উচিশিংদুগী থোপশিংদা নানোপার্টিকলশিংগী চাং শিংথানীংঙাই ওইবা চাংদা য়াম্না য়াওবা থেংনরম্মী। মসিনা তাক্লিবদি নাইত্রিক ওক্সাইদ থাদোরকপদুনা মতম খরগী ওইনা বি বি বিগী অথিংবা অদুদা অয়েৎপা পী হায়বদি অথিংবদু ফাওদুনা চঙখিবা ঙম্মী হায়বসিনি। অদুগা ঐচ আই এফ য়ু পীরবা মতুং পুং ২ লৈরগা, বি বি বিদু হান্নগুম্না ফাওদোক-ফাওজিন য়াদবা ওইরকখি হায়বদি নাইত্রিক ওক্সাইদনা থোকহনবা বি বি বি লানশিন্দুনা ফাওদোক-ফাওজিন য়াহল্লিবসি মতম খরখক্তগীনি হায়বসিনি।

অরোইবদা, থিজিন-লূপ অসিনা পার্কিন্সন'স দিজিজগী মাউস মোদেল অমা শীজিন্নরগা নানোপার্টিকলশিংগী থেরাপ্যুটিক ইফেক্টশিং নৈনরম্মী। উচিশিং অদুদা নানোপার্টিকলশিং কাপশিল্লবা মতুংদা, থোপকী দোপমিন লেভেলশিং হঞ্জিনহন্নবগীদমক থোপকী সবথলামিক ন্যুক্লিয়স (য়ু এস ফূদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন্না অয়াবা পীরবা দি বি এস টার্গেটিং সাইট) তা ঐচ আই এফ য়ু কয়ারক হন্না পীরম্মী।

অলত্রাসাউন্দ-দ্রিভন নানোপার্টিকলশিং শীজিন্নরগা দি বি এস তৌবা মতমদা শাশিংদুগী মোটোর কোওর্দিনেসন অমসুং লোকোমোটোর এক্টিভিটি য়াওনা বিহেভিরল ফংসনশিং ফগৎলক্লম্মী। নুমিৎ তরানি চূপ্না নুমিৎ খুদিংগী ঐচ আই এফ য়ু ষ্টিম্যুলেইসন তৌবদা উচিশিংদুগী মোটোর ফংসন্দা ফগৎলক্লম্মী অদুগা নুমিৎ তরাতরুক্কী মতুংদা লোকোমোটোর এক্টিভিটিদু হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লম্মী। অসুম্না পিয়াজেইলেক্ট্রিক নানোপার্টিকলশিংনা, সাইদ ইফেক্ট অমত্তা থোকহন্দনা, ন্যুরোত্রান্সমিটর থাদোকহল্লক্তুনা পার্কিন্সন'স দিজিজগী সিম্পটমশিংবু শিংথানীংঙাই ওইবা মওংদা ফহনবা ঙম্মী হায়বসি থিজিন লূপ অসিগী থাজবনি। অদুনা অসিগুম্বা কাঙলোন অসি হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দম থল্লি।

থিজিন লূপ অসিগী পাউদম অসি 'নেচর বাইওমেদিকল এঞ্জিনিয়রিং' (জন্যুৱারী, ২০২৩ দা ফোঙদোরকখিবনি। ●

# ঐখোয় মীওইবনা তান্নরিবসি অফবা মীংচৎ নৎতরা

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

ঐখোয় মীওইবা খুদিংমক পোকফম, লৈফম খেন্নবগী মতুংইন্না মীয়াম্না মাগী মাগী থাক অদু ওনবগী চৎনবী চহী ৫০/৬০গী মমাঙদা লৈরমই মসি মণিপুরগী ৱানি। মণিপুরগী ৱাংমদনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মীশিংবু অচৌবা মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা মণিপুর হায়ববু কদাইদা লৈবগে হায়বা তাবদা য়াম্না ৱাবা লোন্দা শীজিন্নবা মশীং নাইদনা থেংনখ্রে। অদুগা মণিপুরদনা সহর অসিগী মীখক্তনা মী ওইনা উবদৌনা তৌবা, হায়দোকখিবদগী লাকপা মীবুনা হন্থবা থাক্কী ৱাঙাঙ কয়া কুমজা ১৯৬০/৬১ অদুৱাইদা য়াম্না তারমই। ইবুংঙো-ইবেম্মা, খুরা, ইপল, ইনে, ইন্দোল করি লমদগীনো হায়বা খঙদ্রিঙৈদা লৱাই-থৱাই, হাও শীজিন্নবগী চৎনবী য়াম্না ৱাংলমই। সহর অসিদগী হাইদোক-হাইদোকখ্রগা মথক কাবনা খরা হাইথববু মী ওইনা উদবগী চৎনবী লৈরমই। হায়নবা লৈ, ঐখোয়দা খৎনবা হৌরবদি মোজাফুরিৎ অচাবা লিৎপা ফংজরোই, কয়াদা উশিৎ থৌওইদবা লৈবাক মচা তাদবা ৱাখলদুনা য়েংলিবা মীৎয়েং অনীদুনা পুল্লগা মচিনবান্দগী থোরকপা ৱাহৈনি। আ লৱাইদগীনি, হাওনি, পাঙলনি মাঙ্গোল কাহন্দবা কয়াদা লিমিটেদ ওইনা হিংলম্বা পুন্সিনো। মতমগী মতুংইন্না লাইরিক লাইশু হৈবা, ৱাখল লৌশিং লৈবা, পাক্না চাউনা য়েংবা ঙম্বা মীৎয়েং অদুনা ঙাঙগদৌবা ৱাঙাঙ, য়েংগদৌবা মীৎয়েং লৈবাক মচা তারকপগী মতম ওইরকপসি চহী ৬০/৭০ চৎলিবা অসিনি। লম্বী থোংসু, মৈ-ঈশিং, অফবা ঈশিং, হৌজিক শীজিন্নরিবা ইলেক্ট্রিক অসিসু সহরদগী হাইদোকখিবা মফমদা মসিগী খুদোংচাবা লৈরম্বা নত্তে। লাইরিক লাইশু তম্বা ফাওবা ষ্টেট অসিগী মহৈরোয়শিং কুমজা ১৯৫৩গী মমাঙদদি কোলকটাগী মখাদা মেত্রিক থারম্বনি। মথংদা কুমজা ১৯৫৩দগী ১৯৭২ ফাওবনা গুৱাহাটি, অসাম বোর্দকী মখাদা থারগা কুমজা ১৯৭৩দগী মণিপুর বোর্দকী মখাদা থারকখিবা ঙাক্তনি। চাওখৎপা হায়বা অসিগা লোয়ন লোয়ননা মীওইবগী ৱাখল লৌশিং পাক্না চাওনা য়েংবা মীৎয়েং, ৱাখল চাওথোরকপা, মীৎয়েং শাল্লকপা, লাইরিক লাইশু হৈবগী চাং ৱাংখৎলকপা কয়া অসিনা হন্থবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নবসু নোংম-নোংমগী ময়েং তারকই। মালেমগী মফম অমদা থোকপা থৌদোক ৱাথোক খুদিংমক আই টি অমসুং সোসল মীদিয়াগী মতেংনা খুদক্তা পুম্নমক খঙহনবা ঙম্লবা মতম ওইরে। মসিমক মীওইবা খুন্নাইগী চাওখৎলকপগী খুদমনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা, মশাগী লমচৎ মাঙলবা, চাহৈদবা চাবা, য়েংহৈদবা য়েংবা য়াওরকপদা খুন্নাই অসিবু মশেং মরাংনা উহনবা থোক্তবা নত্তে। লাইরিক তম্লিবা মাগী মাগী তোঙান তোঙানবা লম্ অমমমদা থৱায় য়াওনা হোৎনবা কাঙবুনা মীথোই মীহেল্লক্তুনা মণিপুরদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ঈজৎ-শনমান ফংদুনা ইন্দিয়াবু মালেমগী শান্নবুংগী ময়ায়দা জাতিগী ফিরাল পায়দুনা কোয়না চৎলগা ঐ ইন্দিয়ানি হায়বগী পন্থুংদুনা লৈবাক্কী, ষ্টেটকী, মরমদমগী, কৈরোই লৈকায়, মাগী ইমুং মনুং, অহল লমনবু মীয়াম মাঙদা মোমোন নোক্না মায়থোঙ মকা লাম্না ফমজদুনা মচা পোকপগী চাওথোকচরি।

ঙসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্কী মীখল অফবা মীহুৎ খন্দুনা অফবা লৈঙাক লীংদুনা প্রজা মীয়ামগী মফমদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোকহন্দবা, পেন্দবা কয়াগী ৱাকৎ লাক্তনবা, চাকথুং ফিথুংদবা থোক্তনবা হোৎনবগী মমি য়াম্না শামই। মতম মতমগী হারগী ৱাথোক লোইবা নাইদে। মণিপুরগী লৌমী কয়ানো ইলেক্ত্রোনিক্সকী মতম অসিদা কনানা ফংখ্রে, কনানা ফংদ্রি খঙবা য়ারবা মতম অসিদা শাংলবা চহী কুন/কুন্থ্রা অসিদা অদুম হারগী ৱাথোক ওইহল্লিবা অসিবু অফবা লৈঙাকলো। পার্টি কয়া ওনখিবা, লুচিংবা কয়া শিনখিবা অওনবা করি লাকই। হামু-হামু লেংদনা চীংজিন মতম হেক লাকপগা হার ফংদবগী মমল হেন্না য়োনবা, মমল হেন্না পীরবদি ইফংদা ফংবা, কুন্বী কালেন খাইদনা পোইনু লৌ লোকপা লোইরবসু অদুম্মক ফংবা লৈবাক অসিগী য়ুরিয়ানি। মাগী মাগী কেন্দ্র অদুগী মীহুৎনা মীয়ামগা পাউ ফাওনদুনা চাকথুংনবা, ফিথুংনবা কনা কনাবু করি তৌবীরগা শোত্থনা লৈবা ইমুং কয়াদা লৈঙাক্না পাংবা য়াবা, পীবা য়াবা, লৌ শুবা, ফি শাবা, ইঙ্খোল কোয়নবা, ঙা য়োক্লবা, থাংজিং থানবা, উ মোরোক থাদুনা মতম মতমগী শেন্দাল লম্বী ওইহন্দুনা শেল থোকহন্নবা শিল্লম-শিন্তাক মাগী মাগী ইমুংগী য়েংদুনা হাপ্পীবা, মীৱা মৈশা লাংহনবীদনবা হোৎনবা মতমদা অফবা মীয়ামগী মীহুৎ হায়বদু ওইরোইদৌবগী মরম লৈতে। লৈঙাক্কী থবক লৌরকপা মতমদা নঙগী নঙগী মহৈগী থাক, মতিং মথৌনা য়েংলগা খলহনবগী হৈনবী থন্বীয়ু। নত্তদুনা গ্রেদ থর্দ অমগীদমক লুপা লাখ ২০/৩০ পীবা ঙমদবা ইমুংদি মী নত্তবদৌনা তৌবা অফবা নত্তে। কনাসু ঙল্লোই শ্রী কৃষ্ণনা, প্রভু যীশুনা, মহামদননা চীফ মিনিষ্টর ওইরবসু থবক থিরিবা এমপ্লোয়মেন্ট একচেঞ্জদা মিং চন্দুনা থবক থিরিবা খুদিংমক থবক পীবদি ওইথোক্লোই। তৌবতবু মতিং মথৌনা লৈবা, মহৈ মশীন হৈববু শেলনা থুমনা থৈদোকহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী মীহুৎনা হিকতোকহন্দবা য়াম্না কান্নগনি। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙগী থবক লৌবা মতমদা মীচং শঙ্গ নাইদনা চিরোল খারোল, শেঞ্জা থুমজা তৌদনা থবক শিন্নসি, মতম অদুদা মহৈগী থাক, মতিং মথৌনাগী শক্তম খুদিংমক উবা ফংগনি। অফবনা ফত্তবা ওইনা উহনবা, দি পি সীদা অদু তৌখো, অদু লৌথোকখো হায়বগী চৎনবীনা করি অফবা লৈঙাক, অফবা খুন্নাই ওইগদৌরিবনো? ঐখোয়গী মীহুৎ ঐখোয়গী লাইরিক লাইশু হৈরবা অৱাংবা থাক্কী পোষ্ট পায়দুনা লৈঙাক্কী মতেং পাংলিবা এদমিনিষ্ট্রেটর খুদিংমক্কী লৌশিং জ্ঞান চংই। লৈবাক অসিগী চাকহোঙ ঙাহোঙনা শান্তি লৈনবা লম্বী থোং, মৈ ঈশিং, অনা লায়েং, ঈথৈ লৌখোং, ঈরম নালা পুম্নমক মহৈ মশীন মতিক চানা হৈরবা মখোয়দি খুদিংমক উবা ঙম্বনি, করি তৌরগা ফগনি। মসি তৌহৌদ্রগা মাঙগনি হায়বা খঙলবনা তূমিন্না লৈখ্রবদি করি অহোংবা পুরক্কনি। লুপা লাখ লাখ লৌশিনবীদুনা থবক ঙাইহল্লিবা মীওই ৬০০০কী মনুংদগী ১৩৫০ খনখ্রগা লেমহৌরিবা ৪৬৫০না নীংবা কায়বা তাবনি। মরমদি থা ৫/৬ নৎত্রগা চহী অমগী মনুংদা হায়দোকপা নত্তবনা চহী ৪/৫ লৈরগা য়াদ্রে, ওইদ্রে হায়রকপদা ৱাখল মৈবুল হৌদুনা অফবা করিনো ফত্তবনা কদায়নো খঙদনা নহা কয়াগী পুন্সি লম্বী লম্মুক্লহনবা নত্তনা করি ওইগনি। ঙসিদি আই টিগী মতমনি। ইচা মীচা য়োংলৈ মেলৈ নাইদুনা, লুচিংবগী লুহুপ উপশিন্দুনা ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা নহারোল কয়াগী পুন্সিবু ঈথৈহন্দুনা ঐখোয়গী খুন্নাইবু মশেক মঙাল য়াওদ্রবা অমা ওইনা উদবগী খ্বাইদগী অফবা লম্বীদি অফবা থবক তৌবগী অফবা মীংচৎ অদুবুনি পুন্সিগী পন্থুংদি। ●